**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নোনে জিলাগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনেল হাইৱে ৩৭ কী লুৰাংচুম অমসুং রংখুং খুলগী মরক্তা চীং নীংখায়বদগী লম্বী ফাওনবা য়াদনা লৈরে।

২) মণিপুর পুলিসনা জিরিবাম জিলাদগী য়াল্লবা য়ুঙাং ফাগৎপা ঙমলে।

অমসুং

৩) ইরানদা পনদুনা লৈরিবা ভারত মচাশিং পুথোরকবা ভারতনা ওপরেসন সিন্ধু চথখিরি।

------

লেন্দস্লাইদ (এল) ঃ নোনে জিলাগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনেল হাইৱে ৩৭ কী লুৰাংচুম অমসুং রংখুং খুলগী মরক্তা চীং নীংখায়বদগী লম্বী ফাওনবা য়াদনা লৈরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী হায়রিবা মফম অসিদা চাউনা চীং নীংখায়রকখিবনি। অদুমওইনমক, এ.বি.সি.আই কম্পনিনা লম্বী শেমজিনবগী থবক চথখিরি।

পুলিস (এল) ঃ মণিপুর পুলিসনা জিরিবাম জিলাদগী য়াল্লবা য়ুঙাং ফাগৎপা ঙমলে। মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ঙরাং জিরিবাম বজার তমা লাকপা অঙৌবা মচুগী জিপসি অমা চ্যেক তৌরুবদা য়ুঙাং বোট্টল ২২৬ ফাগৎখি। ফাগৎলবা য়ুঙাংশিং অমসুং মদুবু পুরল্বা মীওই অমা এক্সাইজ

দিপার্টমেন্টতা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে।

মীয়ামা তোকঙাশিং থাজবীদনবা অমদি সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোক্লিবা তোঙান তোঙানবা ভিদিও অমদি ওদিও ক্লিপশিংগী মতাংদা অশেংবা খঙনবা মণিপুর পুলিসকী সেন্ত্রেল কন্ত্রোল রুমগী টেলিফোন নম্বর- ৯২৩৩৫২২৮২২ দা ফাওবীরকবা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

অমরোমদা, চেসাম অবদুল কাদির মীহাৎকা মরী লৈননা সোসিয়েল মিদিয়াশিংদা ঙরাংদগী ভাইরেল ওইরক্লিবা ফোটো অদু অরানবনি হায়রি। মীশি অসিগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা মীওই ৯ ফাগৎতুনা আইনগী ওইবা থবকশিং চখ্যরি।

বোম (এল) ঃ থৌবাল জিলাগী থৌবাল ওক্রমদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক পোকখায়দ্রিবা হেন্দগ্রেনেদ অমা লৈরল্লে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- বোম অদু য়ুম অসিগী গেট মখাদা প্লাষ্টিক অমুবা অমনা কুপ্লগা লৈরম্বনি। থৌবাল পুলিসগী মীওহশিং মফম অদুদা লাক্তুনা বোম অদু লৌথোকবা হোৎনরি। পনবা য়াবদি, বোম অসি মীওই অসিগী থোঙ্গালদা কনানা করি মরমগীদমক থল্লমনো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

আইদিপি (এল) ঃরাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা হাংদুনা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌরিবা অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী দেটা বেজ অমা শেমবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না থৌরাং তৌরি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থৌরাং অসিগীদমক লমফেল সবদিভিজন্না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা টেলিফোন নম্বর- ৭০০৫৬১৫১৩৭, লমশাং সবদিভিজনগীনা ৯৭৭৪৯২৭৮৩৬, পাৎশোই সবদিজিনগীনা ৮৭৯৪২৩৪৮৬২ অমসুং ৱাংগোই সবদিভিজনগীনা টেলিফোন নম্বর ৭০০৫১৩৪৪৮৬ তা পাউ ফাওরকপা য়াগনি। অখন্নবা দেটা বেজ

খোমগৎপগী থৌরম অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবা চত্থগনি।

বিষ্ণুপুর (এল) ঃ পিছ কমিতি কংলৈপাক মণিপুর স্পেসিয়েল ফিফতিনা ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মখাদা লৈবা পাউমীশিংদা মখোয়বু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা প্রেস থাবা টি-সার্ট অমমম খুদোল তমখ্রে।

ইরান ঃ ইরান অমসুং ইজরেলগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা ইরানদা লৈরিবা ভারত মচাশিং লৌথোকবগীদমক ভারতনা ওপরেসন সিন্ধু চত্থরি। অহানবা খোঙথাং ওইনা অৱাং থংবা ইরানদগী ভারত মচা ১১০ ভারতকী দুতাবাসনা থংদোকপা ঙমখ্রে। মহৈরোইশিং অদু তেক্ত কায়দনা ঙরাং অরমেনিয়া য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়ান মিসনগী মীৎয়েং মখাদা মখোয়শিং অদু অরমেনিয়াগী কোনুং য়েরাবেনদা পুখিবনি। মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- মখোয়শিং অদু ঙসি ভারত্তা থুংলরগনি। মন্ত্রালয় অসিনা ইরান অমসুং অরমেনিয়া সরকারবু মহৈরোইশিং অসি থংদোকপদগী মতেং পাংলকপগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লি। ভারতনা লৈবাক অসিগী মীওই অমত্তদা অশোই অঙাম থোক্তনবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি। ওপরেসন সিন্ধুগী শরুক অমা ওইনা ইরানদা লৈবা ভারতকী দুতাবাসনা মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংবু লৈফম চাফম পীদুনা অশোই অঙাম য়াওহন্দনা থল্লি। মখোয়শিং অসি লৈবাক অদুদগী তাঙ্কক নাইনা থংদোরক্কনি। ভারত মচাশিংনসু ভারতকী দুতাবাসতা পাউ ফাওরকবা খঙহল্লি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ক্রোয়েসিয়াগী খোঙচৎ লোইরদুনা ঙসি ভারত্তা থুংলরগনি। ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙচৎ অসিনা ভারত অমসুং ক্রোয়েসিয়াগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগী আশা থল্লি। ক্রোয়েসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি এন্দ্রেস প্লেনকোভিক্কা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্লুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারত অমসুং ক্রোয়েসিয়াগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা লম কয়াদা তেংবাং পীনরগনি।

শ্রী মোদিনা হায়- তেরোরিজম অসি মীওইবগী য়েকবনি। মসিনা মালেম শিনবা থুংবদা গনতন্ত্রবু শিংনরি। ক্রোয়েসিয়াগী প্রধান মন্ত্রিনা এপ্রিল ২২ দা থোকখিবা তেরোরিষ্টকী এটেক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরকপা অমসুং মদুগী মায়োক্তা ভারতকীদমক লেপ্পকপগী থাগৎপসু ফোংদোকখি। লৈবাক অনিনা লৌউ শিংউ, ইনফোর্মেসন টেকোলোজি, ফারমাসিউতিকেল, দিজিতেল টেকে ালোজি, রিন্যুএবল ইনর্জি অমদি সিমি কন্দক্তরনচিংবা লমদা তেংবাং পীনরগনি হায়রি ।

এমওয়ু ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ, নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ওপন স্কুলিং (এন.আই.ও.এস) অমসুং নেসনেল কাউন্সিল ওফ ইজ্‌কেসনেল রিছার্স এন্দ ত্রেনিং (এন.সি.ই.আর.টি)না ঙরাং নিউ দিল্লিদা য়ান্না ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে। য়ান্না ৱারোল অসিদা দিসএবিলিতিশিং মহৈ মশিং তমহনবদা হেন্না খুমাং য়াংশিন্নবা থৌরাং য়াওরি। য়ান্না ৱারোল অসি সহি তৌনবদা সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ বিরেন্দ্র কুমার অমসুং শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান য়াওখি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি- দিসএবিলিতিশিংবু অহেনবা মহৈ মশিং তম্বা ফংহনদুনা রাইট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি এক্ট ২০১৬ অমসুং নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ বু হেন্না মশক থোকহন্নবনি। লৈবাক শিনবা থুংবদা মখোয়বু চপ মান্নবা মহৈ মশিং তম্বগী থৌরাং ফংহল্লগনি।

রোড ঃ রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা শোক্লবা মীওইশিংদা খুদক্কী ওইবা লায়েং পীবদা শেল য়াওদনা লায়েংনবা লৈবাক শিনবা থুংবদা চথুগদবা স্কিম অমা পুথোকবা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা মন্ত্রিনা হায়- লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অপনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা হোৎনশি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোক্লিবা অসিদা মরুওইবা মীৎয়েং থল্লি। মন্ত্রিনা হায়- মরী লৈনবা ষ্টেগ

হোল্ডরশিংনা স্কিম অসিবু রাজ্য শিনবা থুংবদা ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎকদবনি। মহাকা হায়- থৌরাং অসিনা ২০৩০ ফাওবদদি লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা শিবগী চাং চাদা ৫০ ফাওবদি হন্থরবা য়াই।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা ইহৌদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মণিপুরগী তুংগী মরাইবক লেপ্পদা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা থৌদাং লৌমিন্নশি হায়বা নন্দো লুৱাংগী ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জ্ন ১৮ গী ইহৌ ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা চত্থখিবা ইহৌ নত্তে অমসুং ইম্ফাল অমদি সেনাপতিগী হেলিকোপ্তর সার্ভিস তোইনা কেন্সেল তৌবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া পীরে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরগী টেক্স রেভিন্যু ক্রোর লিশিং ১,৫৫৮ মাংখ্রে, সেন্তরদা ক্রোর লিশিং ১ পীবীনবা হায়রুবদা ৫০০ দি পীরক্তোরে অমসুং লমনুংথেন সিংসোনগী হকচাং দি.এন.এ টেষ্ট তৌদুনা মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

যুব পুরুস্কার, বাল সহিত্য পুরস্কার লাউথোকখ্রে, এ.কে. জিতেন অমসুং সান্তো এম. য়াওরক্লে হায়বা পাউ অমসুং কোভিদ পোজিতিভ ওইবা হেনগৎলক্লি, অহুম অমসু পোজিতিভ ওইরে হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ্য অসিদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম য়েংদুনা কেন্দ্র সরকারদা লুপা কোতি লিশিং ১ গী স্পেসিয়েল এসিষ্টেন্স পীবীনবা হায়জখ্রে অমসুং চুরাচান্দপুরদা এন.আই.এ অমসুং সি.বি.আইনা কুকি লুচিংবশিং ফাবা য়ানিংদে হায়বগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কেন্দ্র সরকারদা স্পেসিয়েল এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১ পীবীনবা রাজ্যপালনা তকশিনখিবগী পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল মনুংগী লম্বী শেম্বগী থবক কনানা তৌগদবনো, পোট হোল মেনশিন্দ্রবদি চেক্কোন লম্বী বৈতরনি তুরেল ওইরক্কদৌরে হায়বা পাউ অমা ফোটোগা কোন্ননা হুইয়েন লানপাউদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা এল.পি.জি টেঙ্কর দ্রাইভর অমা পুলিসনা ফুরুবগী ৱাথোক চাউথোরক্কদৌরি হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ধরতি অবা জনজাতিয়া উৎকরস অভিয়ান কেম্পেন তমেংলোং জিলাদসু পাঙথোক্লি হায়বা পাউ অমসুং লমনুংথেন সিংসোনগী হকচাং দি.এন.এ টেষ্টকী মতেং লৌদুনা খঙদোকপা ঙমলে, অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকবা কাংপোকপীদা শেম শারে হায়বা পাউ অমসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ওল ত্রাইবেল দিসএবল য়ুনিয়ন্না চেসাম অবদুল কাদিরগী মীহাৎপা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতি জিলাদসু ব্লোক লেবেলগী থাক্তা ধরতি অবা জন ভাগিনারি অভিয়ানগী আই.ই.সি কেম্পেন মখা চত্থরি অমসুং তদুবী বিধান সভা থা মঙা হেল্লবা ফাওবা হাংদুনা লৈরি হায়বা পাউনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি

------